## মিসাইল টেষ্টশিংগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০২ :
অসিঅন রিজনেল গ্রুপিংগী ইষ্ট এসিয়া সম্মিটতা শরুক য়ারিবা ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংশিংগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়না অদুগুম্বা চাংয়েংশিং অদুনা কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা মরা তপ্পা ফিভম পুরক্ল বা হোৎনরিবা থবকশিংদা চৈথেং পীরগনি হায়বা ৱাফম থমখ্রে হায়না থাইলেন্দগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## হি লাকপদা মাঙখিবা মীওই ৩১ থিরি

জকার্তা, ওগষ্ট ০২ :
বোর্নো ইথৎকী মনাক্তা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি অমা ঈশিংদা লাকশিন্দুনা মীওই ৪ শিখ্রবা মতুংদা থিবা খঙখিদ্রবা মীওই ৩১ থিবগী অকনবা থবক অমা ইন্দোনেসিয়াগী রেসক্যুৱরশিংনা সমুদ্রগী ইথক-ইপোম অমসুং অকনবা নুংশিৎ মরক্তা হোৎনরি হায়না সর্চ অমসুং রেস্ক্যু এজেন্সিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

## য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কুমজা ১৯৮৭ কী ন্যুক্লিয়র পেক্টতগী ওফিসল ওইনা ৱিথদ্রো তৌখ্রে



ৱাশিংটন/মোস্কো, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :
কুমজা ১৯৮৭ দা রসিয়াগা খুৎয়েক পীনখিবা মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র মিসাইল পেক্ট অমদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌনবী মতুং ইন্না ইরাই নুমিত্তা ৱিথদ্রো তৌখ্রে।

মোস্কোনা ট্রিটি অদুবু খোঙ্গাওনরকপদগী য়ু এসকী মায়কৈদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না ৱাশিংটন্না ফোঙদোরকচরবসু ক্রেম্লিন্না ৱাফম অসিবু মমাংথক্তগী হৌনা য়ানিংদবা লাকখিবনি। ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জ ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস ট্রিটি (আই এন এফ) হায়না খঙনবা কুমজা ১৯৮৭ তা য়ানখিবা আর্মর্দস কন্ট্রোল একোর্দ অসিবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখা তানা ঙাক্তনবগী ৱারেপ অসি য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৌখিবনি হায়না এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ট্রিটি অদুনা সোর্ট অমদি ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জকী ওইবা কংফালদা বেজ তৌবা মিসাইলশিং নাকল অনীমক্লা য়ুরোপতা দিপ্লোই তৌবদা অথিংবা থম্লিবনি। করিগুম্বা রসিয়ানা পেক্ট অসিবু মপুং ফানা ঙাক্লবা থাজনিংঙাই ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্তবা তারবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু মদুদগী ৱিথদ্রো তৌরকপা য়াই হায়না ৱাশিংটন্না থা ৬ কী মমাংদা ইঙ্গিৎ পীখ্রবনি। রসিয়ানা অতম্লনা খোঙ্গাওনরবা ট্রিটি অমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখা তানা পার্টি ওইদুনা লৈরোই হায়না য়ু এসনা ৱিথদ্রো তৌরবা মতুংদা সিক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ট্রিটি অসিবু রসিয়ানা ঙাক্তবগী থৌওংনা য়ু এসকী অনীংবা অপান্বা কয়াদা চাওনা অকায়বা পী। রসিয়ানা ট্রিটি অসিগী মায়োক্তা ওইবা মিসাইল সিষ্টেম শাদুনা মফম কয়াদা দিপ্লোই তৌবগী খোঙথাং অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ঐখোয়গী মীচংশিং অমদি পার্টনররশিংদা হকথেংননা অকিবা পী।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসল খরনা পেক্ট অদুগী মায়োক্তা নোংচুপ থংবা রসিয়া য়াওনা রসিয়াগী মফম শিনবা থুংনা য়ুরোপকী মরু ওইবা টার্গেটশিং য়ৌবা ঙম্বা রসিয়ন ক্রুজ মিসাইল অমগী বট্টালিয়ন কয়া লৈবাক অসিনা দিপ্লোই তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। আই এন এফ ট্রিটি অসি কুমজা ১৯৮৭তা মতমদুগী য়ু এস প্রসিদেন্ট রোনাল্ড রিগান অমসুং সোভিয়েট লুচিংবা মিখাইল গোর্বাচেভকী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবনি।

## সাউথ-ইষ্ট এসিয়ন সিক্যুরিটি মীফম চথুরিঙৈদা বেঙ্কোক্তা বোম পোকখায়খ্রে



বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :
থাইলেন্দগী কেপিটেল বেঙ্কোক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা অমসুং অতৈ মালেমগী পৱারশিংগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেটশিংগা লোয়ননা সাউথ-ইষ্ট এসিয়ন সিক্যুরিটি মীফম অমা চথুরিঙৈ ইরাই নুমিত্তা সিটি অসিদা বোম ৬ পোকখায়খিবদা য়ামদ্রবা মীওই ৪ অশোক-অপন নংখ্রে।

অচৌবা মরু ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা অমসুং হান্নগী থাই মিলিটরি জনতানা সিভিলিয়ন লৈঙাক অমা ওল্লকখিবা চয়োল অনী ফাওবা ফাদ্রিঙৈদা থোরক্লিবা থাইলেন্দগী ইমেজদা শোকহনগদবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা প্রাইম মিনিষ্টর প্রায়ুথ চান-ওচানা ওর্দর তৌখ্রে।

অহানবগী মখোল কা হেন্না হৌখিদবা পোকখায়গী থৌদোক অনী অয়ুক পুং ৯ তারমদাইদা সেন্ট্রেল বেঙ্কোক্কী মফম অনীদা থোকখি। মখা তাবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংনা সিটি অদুগী অৱাং থংবদা লৈবা মিনিষ্ট্রি কয়াগী মফম ওইরিবা গভর্নমেন্ট কমপ্লেক্স অমদা শোকহনখি।

## রসিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ জপান্না য়ানিংবা ফোঙদোকখ্রে



টোকিয়ো, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :
জপান অমসুং রসিয়া অনীমক্লা ক্লেম তৌরিবা ইথৎ অমদা রসিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর দমিট্রি মেদভেদেভনা খোঙচৎ অমা চৎখিবসি অদুক্কী মতিক নুংনাংনিঙাই ওই হায়না জপানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়না মোস্কোদা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবদা মতেং ওইগদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখ্রে।

কুমজা ২০১৫গী মতুংদা চৎখিবা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎতা রসিয়ন প্রাইম মিনিষ্ট মেদভেদেভনা জপানগী অৱাং থংবা লমদম হোকাইদোগা নক্লনা লৈবা রসিয়ানা পায়শিল্লিবা ইথৎ মরিগী মনুংদা অমদা টোকিয়োনা প্রোটেষ্ট তৌবা লৈন-লৈনা চৎখিবনি। ইথৎশিং অদু রসিয়নশিংনা ইটুরুপ হায়না খঙনৈ অদুগা জপানিজ মীয়াম্না ইতোরুফু হায়না মমিং থোল্লিবনি।

জপান্না লৈবাক অসিগী নোরদর্ন টেররিটিশিংনি হায়রদুনা ইথৎশিং অদুবু ক্লেম তৌদুনা লাকখি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী অরোইবা নুমিৎ খরনিখক্কী মতমদা সোভিয়েট আর্মিনা জাপানিজ ফোর্সশিং লৈরিবা ইথৎশিং অদুদা এটেক তৌবগা লোয়ননা মফমশিং অদুবু খুদুম চনখিবনি।

রসিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর মেদভেদেভকুম্বনা চৎলিবা ইথৎ অদুগী খোঙচৎশিং অদু নোরদর্ন টেরিটরিশিংগী মতাংদা লৈরিবা জপানগী ফিরেপকা তাইওন্নে অমসুং অসিগুম্বা খোঙচৎশিংনা জাপানিজ মীয়ামগী থম্মোই শোকহল্লি হায়না টোকিয়োদা মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়রসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। পিছ ট্রিটি অমা নাকল অনীগী মরক্তা পুরকপগী ৱাফম য়াওনা ঐখোয়না রসিয়নশিংগী মায়কৈদা জপান-রসিয়া মরীশিং ফগৎহনগদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা কন্না তকশিল্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মমাংদসু মেদভেদেভনা ইথৎশিং অদুদা চৎখিবা লৈরবসু হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা পিছ ট্রিটি অমা পুরক্লবা অমদি জোইন্ট ইকনমিক এক্টিভিটি কয়া চথনরিঙৈদা অকায়বা পীবা য়াই হায়না লৌনরিবনি। অমরোমদা, মেদভেদেভনা টোকিয়োগী প্রোটেষ্ট অদু লুনা লৌদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইথৎশিং অদু রসিয়াগী লমনি হায়খি।

ইথৎ পরিং অদুগী মতাংদা য়েৎনবা লৈরিবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌনবী মতুং ইন্না পিছ ট্রিটি অমা পুরক্লবা হোৎনবদা অপনবা ওইদুনা লাক্লিবনি। পনবা য়াবদি, হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা রসিয়ন সিটি ভ্লাদিভোষ্টোক্তা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অমদা প্রসিদেন্ট পুটিন্না জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনঝো অবেদা চহী অসিনা লোইবা ফাওবগী মনুংদা প্রি-কন্দিসন অমত্তা য়াওনা পিছ ট্রিটি অমা খুৎয়েক পীনবগী ৱাফম হৌদোকখিবা লৈখ্রবনি।

## সীজফয়ার লাউথোকখিবদগী এয়র ষ্ট্রাইক লেপখ্রে



বৈরুট, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :
সীজফয়ার অমা মরী লৈনবা পার্টিশিংনা লাউথোকখ্রবা মতুং ইরাই নুমিত্তা সিরিয়ান অমসুং রসিয়ন ৱার প্লেনশিংনা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবা অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা এয়র ষ্ট্রাইক অমত্তা চথখিদ্রে হায়না ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লম লৌশিন্নবগী ফিভম অমত্তা উখিদ্রবসু থা অহুম চুপ্পা চথরকখিবা ভাইওলেন্সতা মীওই চা কয়া শিখিবা মতুংদা লমদম অদুদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা সিরিয়ান গভর্নমেন্ট অমসুং রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা লমশিংদা রোকেট কয়া কাপশিল্লকখিবা লৈরবসু নুমিৎ অসিদা মীশি-মীনা থোকহনবা য়াবা থৌদোকশিংগী চাং শীংথানিঙাই ওইনা হন্থরকখি হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি।

ওবজার্ভেটরিগী দিরেক্টর রামি অব্দুলরহমন্না ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং ফাওবা অয়ুক অঙনবদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথবা লৈখি। হৌখিবা থা অহুম অসিদা লমদম অদুদা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মীচম ৪০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ৪৪০,০০০ হেন্না ময়ুম-মকৈথাদোকহনখ্রে হায়না য়ু এন ওফিস ফোর দ কোর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফেয়রসনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবনি।

দিমিলিটরাইজ বফর জোন অমা শেম্নবগী পান্দমদা হৌখিবা চহীদা রসিয়া অমসুং টর্কিগী মরক্তা পুরকখিবা এগ্রীমেন্ট অমা মিলিটেন্টশিংনা ঙাকপগী ফিভমদা শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদগী সীজফায়র অমা চৎনবা হৌরগনি হায়না সিরিয়ন ষ্টেট মিদিয়াগী রিপোর্টতা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ফিভম অসি লাকখিবনি।

টর্কিনা শৌগৎপা ওপোজিসন গ্রুপশিংসু ওপরেট তৌরিবা জিহাদিষ্ট ফেক্সনশিংনা দোমিনেট তৌরিবা এরিয়া অদুগী রেবেলশিংগী মায়কৈদগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ওফিসল কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদে। রেবেল এটেকশিংগী পাউখুম পীরিবনি হায়দুনা গভর্নমেন্টনা মফম অদুদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথখিবনি।

## অনৌবা টারিফশিংনা লল্লোন-ইতিক্কী য়েৎনবশিং সোল্ভ তৌরোই



বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :
দোলর বিলিয়ন ৩০০গী ওইগদবা চাইনাগী অতোপ্পা পোৎ-চৈশিংদা ইনৌ নৌনা চাদা ১০ গী টারিফ লৌরগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাউথোকখিবগী মতাংদা পাউখুম পীরদুনা খোঙথাং অদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি অনীগী মরক্তা লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী য়েৎনবশিংগী ৱারোইশিন পুরকপদা মতেং পাংলোই হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং লিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইনৌ নৌনা অহেনবা টারিফশিং হাপচিনবা হায়বসি নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা শেল-থুম অমদি লল্লোন ইতিক্কী য়ানদবা ৱাফমশিং লৈখায় তানবগী লম্বী অমা ওইরোই হায়না থাই কেপিটেল বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্লিবা এসোসিএসন ওফ সাউথইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন)গী মীফমগী নাকোয়ননা ৱাংনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা শগোলশেল নুমিত্তা থাগৎখিবা ত্বিটশিংদা অমেরিকান রিপ্রজেন্টেটিভশিং তুংদা লাক্কদবা ট্রেদ দিল অমগা মরী লৈননা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা চাইনাদগী হল্লক্লে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থা অহুমগী মমাংদা ঐখোয়না চাইনাগা দিল অমা য়ান্নখ্রে হায়না থাজখিবা লৈরবসু দিল অদুবু খুৎয়েক পীনদ্রিঙৈগী মমাংদা চাইনাগী মায়কৈদগী অমুক হন্না নিগোসিএসন তৌসি হায়রকপসি লাইবক থিবনি হায়না পনখি।

নাকল অনীগী মরক্তা লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী মখা তানা চথুরি। ৱারী শান্নরিঙৈ মনুংসিদা য়ু এসনা সেপ্তেম্বর ১ দগী চাইনাদগী য়ু এসতা লাক্লিবা লেমহৌরিবা দোলর বিমিলন ৩০০ গী পোৎ চৈশিং অমসুং প্রদক্টশিংদা ঐখোয়না চাদা ১০ গী অহেনবা অপীকপা টারিফ অমা লৌরগনি। মসিদা হান্না চাদা ২৫গী টারিফ লাউথোকখ্রবা দোলর বিলিয়ন ২৫০ গী পোৎ চৈশিং অমদি পোৎথোকশিং অদুদি য়াওরোই হায়না ত্বিটশিং অদুদা ট্রম্পনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অনৌবা টারিফশিং অদুনা য়ু এসতা লাকপা চাইনিজ ইমপোর্ট খুদিংমক অমত্তা খাক্তনা কোনশিল্লগনি। নৌনা লাউথোক্লিবা দ্যুটি অসিনা স্মার্ট ফোনশিং অমদি ফিরোলশিং য়াওনা মখল-মখা কয়াগী পোৎ-চৈশিংদা টার্গেট তৌরবা য়াই হায়রি। য়ু এস ট্রেদ রিপ্রজেন্টেটিভ রোবর্ট লাইতিজর অমসুং ট্রেজরি সেক্রেটরি ষ্টেভেন মন্যুচিন্না লৈবাকপোকপা অমসুং যুমশকৈশা নুমিত্তা সাংহাইদা ভাইস প্রিমিয়র লিয়ু হেনা লুচিংবা অৱাংবা থাক্কী চাইনিজ দিলিগেসন অমগা নিগোসিএসন চথখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চাইনাগী অহেনবা পোৎলমশিংদা অনৌবা চাদা ১০ গী টারিফ লৌবগী ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি।

## কাশ্মিরগী মতাংদা ইন্দিয়ানা শুপ্নগী পাকিষ্টানগা ৱারী শানগনি



বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :
করিগুম্বা তঙাইফদবা লাক্লবসু ইন্দিয়ানা কশ্মিরগী মতাংদা পাকিষ্টানখক্তগা লৈবাক অনীগী ওইবা য়ানবা অমগী মখাদা ৱারী শান্নগনি হায়না ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা য়ু এসকী মহাক্কী লেংমান্নবা মাইক পোম্পিওদা ময়েক শেংনা খঙহনখিবগা লোয়ননা ইশ্যু অসিগী মতাংদা য়ু এসনা ওফর তৌরকখিবা ৱাতেম্বগী ৱাফম ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াখিদ্রে।

ৱাশিংটনদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা কাশ্মিরগী মতাংদা মহাক্কী মায়কৈদগী ৱাতেম্নবা ওফর তৌরিবদু য়াগে নৎত্রগা য়ারোই হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মখা পোনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং পুং খরখক কান্নরগা ইরাই নুমিত্তা থাইলেন্দদা পোম্পিওগা উনবদা জয়সঙ্করনা তঙাইফদবা ফিভম লাকপগী কাশ্মিরগী মতাংদা ৱারী শান্নবা তারবসু শুপ্নগী পাকিষ্টানগা লৈবাক অনীগী ওইবা য়ানবা অমগী মখাদা ৱারী শান্নগনি হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহনখিবনি।

জয়সঙ্করনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্লা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওগা হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনখ্রে অমসুং মঙোন্দা কাশ্মিরগী মতাংদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ফিরেপ নাখৈ শেংনা খঙহনখ্রে। শগোলশেল নুমিত্তা হ্বাইট হাউসতা পাউমী অমনা করিগুম্বা মহাক্লা কাশ্মির অসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা লৈবা বাইলেটরেল ইশ্যু অমনি হায়না খনব্রা হায়না হংবদা ট্রম্পনা ৱাহং অসিগী চপ চাবা পাউখুম পীদবিদা কশ্মির ইশ্যুগী মতাংদা য়ু এসনা ৱাতেম্নবা হৌদোক্লিবা ৱাফম অসিবু য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বসি তশেংনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী অনিংবা অপান্বগী মখা পোনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়না নুমিৎ ৮ নিগী মনুংদা অহুমশুবা ওইনা ইরাই নুমিত্তা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকখ্রে। লৈবাক অসিনা হ্নদক পরিং নাইনা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোক্লিবসি মিলিটরিগী মতিক ময়াই হেনগৎহন্নবা অমসুং দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী মখা চথনবা হোৎনবা লৈরিঙৈসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়াদা প্রেসর পীনবগীদমক্তনি হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লরি।

নোর্থ কোরিয়াগা মখা তানা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী চথবা য়ারগনি হায়না থাজরিবা য়ু এসকী ওফিসলশিংনা অনৌবা মিসাইল লোঞ্চশিং অদুগী মতাংদা অকনবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লখিদে। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা জুন ৩০ দা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগা কোরিয়া অনীগী মরক্তা লৈরিবা দিমিলিটরাইজ জোন্দা উনখিবদা ৱারী মখা চথবগী ৱাফম য়ানখিবা লৈন-লৈনা প্যোংয়াংনা মিসাইল চাংয়েং কয়া চথরকখিবনি।

দিপ্লোমেটিক প্রোসেসতা খুৱৌ থাংবগুম্বা খরা লৈদুনসু নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শানবা মখা চথুরি হায়না বেঙ্কোক্তা অসিঅনগী মীফম অমদা শরুক য়ারিবা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়ন গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীসু নোর্থ কোরিয়ানা ইনৌ নৌনা কাপখিবা প্রোজেক্টাইলশিং অদু অনৌবা সোর্ট-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইলশিং মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

## কোঙ্গোগী সিটিদা মরিশুবা ঈবোলা কেস থেংনখ্রে

গোমা, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :
দেম্মক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী নোংপোকথংবা সিটি গোমাদা ঈবোলাগী মরিশুবা কেস অমা কনফার্ম তৌরে হায়না গভর্নমেন্টনা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লায়না অদু মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না লৈবা সিটি অদুদা থুনা শন্দোরক্লে হায়বগী অকিবা লৈরে হায়রি।

অনৌবা কেস অদু চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ঈবোলানা নাবদগী শিখিবা নুপা অমগী লোইনবীদা দিটেক্ট তৌখিবনি। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না নুপা অদু ঈবোলাগী লাইওংশিং উৎথোরকপা হৌখিবা চয়োল অমা হেন্না কান্নরগা লায়েংনবা হোৎনরকখিবা ওইবনা মহাক্লা গোমাদা লৈবা অতৈ মীওই কয়াদসু লায়না অসিগী মহিক শন্দাল্লম্বা য়াবগী অকিবা লৈ। মখোয়গী মচানুপীসু ঈবোলাগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা নুপা অদুগী কন্টেক্ট ২০০ রোম লৈখি হায়রি।

[illegible]/ য়াম্না নুংঙাইজে, পাইলস ফহনবগীদমক থাগৎচরি

চহী ১২ পাইলসকী অৱাবা খাংদুনা লাকখি। শা-ঙা চারগা ৱাবা হেল্লি। খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, শৌজগী অকোয়বদা চাথৎলগা থুপ্পা, শাবা, চিকপা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, চক-চক থিনবা, হাকৎচবা, পুক নুংঙাইতবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজ নাস্থরকপা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, শৌজগী অকোয়বদা মচা-মচা পোমথোরক্লগা লৈবা, খ্বাং নাবা, চানীংবা পোক্তবনি। অদুবু ওজাগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাজবদগী শুপ্নগী নুমিৎ ১৮নিদা মপূং ফানা পাইলস ফজখি। মরম অসিনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4.30pm)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

HL-P/3482/3 থাগৎচরিবা : M. Nila Singh, Moirang Bazar

MANIPUR UNIVERSITY
SELECTION OF AUDITORS - REQUEST FOR PROPOSAL
Dated 2nd August 2019

No. MU/Cash/145/CA/2019/1628 Manipur University invites two separate 'Request for Proposals' (RFP) from firms of Chartered Accountants empanelled with C& AG and which meet the all the conditions in the eligibility criteria listed below, for carrying out 1) the Audit of the University for the year 2018-19 and 2) Special Audit for the year 2007-08 to 2017-18 as per the Terms of Reference provided in the respective RFP. Detailed Request for Proposal (RFP) comprising Background, Terms of Reference (ToR) and Guidelines for submitting the two separate proposals can be either downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in or can be collected from the O/o Purchase Officer, MU during office hours from 3rd August to 13th August 2019.

Sd/-
Registrar
Manipur University
Canchipur

HL-B/5590/3

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR-IMPHAL 795003
MANIPUR, INDIA
TENDER NOTICE
Imphal the 2nd August, 2019

MU/IV/2/ DR / PO /ADVERTISEMENT/19/4 /1630
Sealed Tenders are invited from reputed GST registered firms for the supply of Furniture Items. Details of the items along with terms and conditions may be obtained from the office of the Deputy Registrar (Admn.) or can be downloaded from Manipur University website www.manipuruniv.ac.in. The sealed tender should be submitted /posted to the undersigned on or before 17th August, 2019.

Sd/
Deputy Registrar/Purchase Officer
Manipur University

HL-B/5589/3